# “শাদগীসু হেন্না শাথীবা জীব”

## – এল ইবোমচা –



জীব পানবা ঐখোয়না তৌরিবা পূন্নমকসি মপু মহাক্কী থৌশিল ইনবনি। ঐখোয়না ঙম্বা নত্তে, মাগী মতিক ময়াইনা থোকহনবা তাইবঙ কুম্মৈনি। তাইবঙ পানবা অসিদা থোক্লিবা, ওইরিবা পূন্নমক অসি মপু মাগী লীলানি। তাইবঙগী জীবশিংনা লীলাসিগী শক্তম লাংবা মীওইশিংদুনি, তাইবঙ মপুগী য়াকাদা পূন্নমক্না চৎলি। মহাক্কী ইঙ্গিৎ ৱাংমদা কনামত্তনা লৈতে। লীলাসিদা শরুক য়ারিবা জীবশিং অসি তুং কোইগদবা নত্তে, মতম খরখক্তগীনি। অদুনা তাইবঙ মপুনা পীবা য়াথং ইনগনি, মানা পীরিবা মতিক ময়াই অদুনা থৌরাং পাঙগনি। মসিদা অপাম পামদবা লৈফদে। মরম অদুনা কপ্পা লৈগদবা নত্তে, নোক্কদবনি। কপকদবা মতমদি মপুগী থৌজাল ফংদ্রবা মতম অদুদতনি। পোকপা অমদি শিবা অনীগী লংদাইদা হিংবা হৌখিবা খঙহৌদনা লোইশিনখিবনা হানবা তেল্লবা মীওইবগী পূন্সিনি। অদুবু তেল্লবা পূন্সি অসিগী মনুংসিদা মীওইবনা ঐগী হায়বা ৱাখলনা মাঙ থারগা ঐগী মীগী নাইনা চৎনৈ। ঐগী ওইফম থোকই, থোক্তবনি খন্দনা অঙম-অঙম্বা লাক্তুনা মুন্নরি, শেৎ-শেৎতুনা চানরি। মতিক ময়াই পূন্নমক্কী মপুদি তাইবঙ মপুনি কাউনৈ। মপু মাগী মপাঙ্গলনা য়েক্লবা লিশীং লিশীংগী পাঙ্গলদগী হেল্লি। কায়নবা, খায়নবা হায়বা অসি পূন্সিগী চৎনবী অমনি, হৈনবী মচৎ অমনি। ঙসি অমত্তা ওইরিবসি হয়েং কায়নবা য়াই। অমত্তা ওইনা তিন্নরিবসি হয়েং নুংশিনা কায়ননবগীনি। অমত্তা ওইনা তিন্নবা ঙমদ্রদি নুংশিনা কায়নবগী ৱাফম লৈতে। অদুবু মফম, মতম, মতাং চাদনা শিবদি অহিংবা অমত্তনা পাম্নদে। নাপী-শিংবী, উ-ৱা অমদি ঈশিংদা হিংবা মখল মখা কয়াগী জীব পানবশিং অসি শিবা কিদবা অমত্তা লৈতে। নাপীগী শীংদা চল্লিবা লম ইকায়থবী পাম্বীদা খূৎনা খজিক্তং থেংলুবদা মকা ফন্দোক্তুনা লৈরম্বা মনাদু উমশিল্লি। মদু মশাদা মীনা থেংবগী চৈনাদু ফংবদগীনি। শন্থক পাম্বীগী মনাদা থেংলুবদা মতুনা য়ুরক্লিবা অদু মশাদা চৈনা ফংবদুনা শোক্লক্কনু হায়বনি। কংফালদা হৌরিবা উ-ৱা খুদিংসু অদু মঙাই, থাঙজৌ নৎত্রগা শীংজঙ পায়রগা মনাক্তা হেক লেপ্তুনা লৈরুবদা ঐখোয়না উরুদবা, খঙলুদবা অদুননি মশাদু থক-থক নিক্লিবনি। মদুদি ঐসে মখূৎতা পায়রিবা খূৎলায়সিনা শোয়দনা য়াল্লক্কদৌরে কিবগীনি। ঈশিংদা হিংলিবা জীবশিং অসিসু মদু মঙাই, খূৎনা শোক্লু-থেংলুবদা ফ্রং লাউনা ইরোইরগা চেল্লিবদু শিনীংদবগীনি। শিনীংদ্রবসু শিদবদি য়াদে। পোক্লবদি শিবা তাই, শিননবা পোক্লিবনি।

মরম অসিনা মীওইবগী পূন্সি খোঙচৎ অসি অমনা অমগী মতেং পাংনবা খোঙচৎ ওইগদবনি। মীগী মপোৎ মরল হুরাল্লুরগা, শুদনা নুংঙাইগে হায়বা ৱাখল খক খনফদে অমদি ইথক্তা মপু অমা লৈরি হায়বসি মতম খুদিংদা খনগদবনি হায়বসিদা থৌনা ফনা চৎপগীদমক মহাত্মা গান্ধী, বুদ্ধ অমদি যিশু খৃষ্টসু লম্বীসিদা চৎলুবদগী শিখিবনি। অদুবু লম্বীসিদা চৎলগা শিবা ঙল্লিবা মখোয় অসি লাইবক ফবা লাইপোক ঙাক্তনি। ঙসি ফাওবা তুংদা লাক্কদবা মীওইশিংগী লমজিংবা ওইদুনা লৈরিবসিনি। মখোয় অহুম অসি মঙক্তা থৌরী থুদুনা হাৎকদবগী পুরকপা শা অমনা শিরমদাইগী মতমদা খনবা ৱাখলদু ফাওবা খঙই হায়নৈ। মদুদি শিরগদবা শাদুনা, ঐবু ইঙকশম কক্তুনা হাৎকনি হায়না থাঙ পায়দুনা ইনাক্তা লেপ্লিবা নুপাসি ঐনা অমুক্তং মহাক ওইবা ঙম্লদিকো-! অসুম্না।

মহাত্মা গান্ধীগী অশেংবা মীংদি মোহন্দাস করমচাঁন্দ গান্ধী কৌই। মহাক গুজরাটকী মনুং চনবা পোরবন্দরদা কুমজা ১৮৬৯গী ওক্টোবর ২দা পোকখি। কবা গান্ধী অমদি পুতলিবাইগী মচা ইবুংঙোনি। মশাগী চহী ১৩দা কষ্টুরবাইগা লোয়ননা য়ূম্বাল পূন্সিদা খোঙদাই। ইন্দিয়াগী নীংতম্বা অন্দোলনদা অহিংশা নীতিবু খূৎলায় ওইনা শীজিন্নখি। খুন্নাই অসিদা তোন্থনা লৈরিবা হরিজন কাঙবুবু মহাত্মানা শোক্ল-পন্না য়াদবগী লাংদগী নীংতমহন্দুনা হিন্দুশিংগী লাইশঙদা চঙবা য়াহনখি। অদুবু মহাক কুমজা ১৯৪৮গী জন্যুৱারী ৩০দা নাথুরাম গোডসেগী নোংমৈ মরূনা পূন্সি য়াহিপ তানখি। মহাক্কী অরোইবা নিংশা শ্বর হে-রাম হায়বা লাইশোন অসিনা ওইখি। থক্তা শেন্বীবা মপু অমা লৈ হায়বসি উৎলম্মী।

বুদ্ধ-কপিলাবস্তুগী নিংথৌ শুদ্ধোধন অমসুং মহারানি ময়া দেবীগী মচা ইবুংঙোনি। পীক্লিঙৈদগী হৌনা লাইনীং লম্বীদা খোঙদারকই। মপা ইবুংঙো নিংথৌনা লম্বী অসিদগী থৈদোক্লবা হায়দুনা মশক মতৌ চংখোনবী য়সোধারা কৌবী নুপী অমগা লুহোংবিরম্মী। অদুবু তাইবঙপানবা মীওইবগী অহল ওইরকপগী অৱাবা, অশিবা অমদি অনা-অয়েক্লা পীরিবা চৈনা কয়া অদু উরুবদগী মথ্বায় শোকখিদুনা মশাগী চহী ২৯ শুবদা মতিক চাবা সৈন্যাসি (লম্বোইবা) অমা ওইরকখ্রে। পীক্লিবা মচানুপা অমদি মাগী লোয়নবী য়সোধারা থাদোক্লল্লগা চহী ৬ চূপ্পা ধর্ম্মগী অচার্য্যা (গুরু) শিংদগী পাউতাক লৌবদা অচুম্বা লম্বী থিবদা ফংখিদে। মমৈথংদদি গয়াদা হৌবা খোংনাং বোট পাম্বী অমগী মখোঙদুদা ফমদুনা অচেৎপা সাধনাগা লোয়ননা লাই নীংবদগীদি অশেংবা মঙাল ফংখি। মদুগী মতুংদা মাগী মমিং অসি গৌতম বুদ্ধ (মঙাল ফংলবা মী) হায়না খঙনরম্মী। মহাক্লা হৌদোক্লম্বা ধর্ম্মবুনা বৌদ্ধ ধর্ম্ম হায়না খঙনখি। মশাগী চহী ৮০ শুবদা কুশিনাগরদা অরোয়বা য়াহিপ তানখি। ইথক্তা মপু অমা লৈ হায়বা উৎলম্মী।

যিশু খৃষ্ট ধর্ম্ম হৌদোক্লম্বা অথোইবা নুপা অমনি। মাবু পোকপা পম্বৌগী মমিংনা যোসেপ অমদি পলেমগী মমিংনা মেরি কৌই। মহাক্কী পোক্লফম্না বেথলেহেমদনি। অতোপ্পা ৱারী অমদনা মহাক অসি লৈশাবীগী মচানিসু হায়নৈ। হায়বদি মেরিনা লৈশা-লৈশানা পোকপনি হায়নৈ। মশাগী চহী ২০ শুরকপদুদা যিশুনা যোহন কৌবা লম্বোইবা অমদগী লাইমিং লৌখি। মহাক্লা মহাক্কী পূন্সিদু অৱা অনাগী সেবাদা কৎথোকখি। মহাক্কী অথোইবা ধর্ম্মদি ঙাকপীবদা য়ূম্ফম ওইবনি। মাগী ধর্ম্মবু মীয়াম্না পাম্বা হেনগৎলকই। লোয়ননা মাগী য়েক্লবা মীগী মশীংসু হেনগৎলকখি। নিংথৌনা মাবু ফারগা ক্রোসতা পাং তিংলগা হাৎখি। মাগী ধর্ম্ম অদুবু মাগী মিং লৌদুনা খৃষ্টান ধর্ম্ম হায়না খঙনখি। শিরবা মতুং নুমিৎ ৪০নিগী তুংদা মহাক চঙনা স্বর্গ কাখি হায়না খৃষ্টিয়ানশিংনা থাজৈ। থক্তা মপু অমা লৈ থাজনৈ।

অদু ওইরবদি যিশু খৃষ্ট নীংলিবা কুকিশিংনা করিগীদমক মীতৈ লৈবাক্তা কুকিলেন্দ শেম্নবা মীচম মীতৈশিংদা লান্দাদুনা শারমচৎকী লীচৎ শাজৎ চৎলিবনো হংবা য়াই। মখোয়না খৃষ্টিয়ান ধর্ম্মবু থম্মোয় য়াম্না শেংনা নীংলম্বা তারবদি ঙসি মীচম মীতৈশিংদা মীনুংশি লৈতনা লান্দারক্তুনা মীশি মীনা থোকহল্লিবা অসি থোকহল্লম্লোই হায়বা অসিনি। শা-ষণনা মহৌশা-মহৌশা ঙসি ফাওবদা চাওখৎপা লৈতবা অদুগুম্না কুকিশিংসু মহৌশাগী মহৌশা ঙসি ফাওবা অদুমক ওইদুনা লৈরিবা অসিনা তাকপদি কুকিশিংসি যিশু খৃষ্টকী থৌজাল ফংদ্রবা মীওইশিংনি তাকই। মীওইবা হায়বা মমিং অসিগা চান্নবা কুকি অমত্তসু লৈত্রে। হৌজিক লৈরিবশিং অসিদি মমিং থোন্দ্রিবা, লাকপা কুইদ্রিবা, শাদগীসু হেন্না শাথীবা থৱায় পানবা জীবনি। মরম অসিনা মখোয় মশেল অতোপ্পগা ঙাইহাক্তং ফাওবা তিন্নবা য়াদবনি।

অদুবু সন্দেগী চর্চতা প্রেয়র তৌমিন্নরিঙৈ ঙাইহাক্তু মখোয় মশেল তিন্নবা য়াই, অতৈ মতমদদি মখোয় মশেন উনবা, তিন্নবা য়াদে। মসিগী হায়রুরবদি কুকিশিংসি খৃষ্টান লাইনীং চৎলম্বদগী খরবু ফরবনি নৎলমদ্রবদি নোংশা-কৈগুম্না শাথীরমগনি অমদি পঙবগী জাত্তা হৈবোং মনুংদা লৈবা তীলগুম্না অমদি হনগী মখাগী থাক্তা লৈরমগনি। কুকিশিং হৌজিক ফাওবা অফবা নুংঙাইবা চাওখৎপা হায়বসি মীনা শেমগদবনি, লাই লাক্লগা শেম্বীরগদবা নত্তে হায়বসি খঙদে। ঙসিগী কম্পিটিটিভ ৱর্ল্ড অসিদা মতৌ করম্না কুকি ফূরুপ্পা শরুক য়াসিগে হায়না খনবগী মহুত্তা হুরান লান্না লাকপা ফোয়বদা ৱাখল থাধদুনা লৈনৈ। অদুনা কুকি ফূরুপকী মীওইশিং অসি “শাদগীসু হেন্না শাথীবা জীব” পানবশিংনি হায়দুনা তাকচৈ। ●

# নখোয় মঙাইরেহে ... মীফত্তশা - ১

## – বি সী খুমন –

কুকি ওক্যুপাইদ মণিপুর (কে ও এম), কুকিশিংনা খুদুম চনশিনখ্রবা মণিপুরগী লমশিং অসিগীদমক কনানা লান্থেংনবীরি। খঙদে। মণিপুরগী চীংয়া নক্লা খুন্দা লৈতারিবশিং, মরু ওইনা ঙরাং নহালতা খুনশেল্লকপা কুকি খুলগা-নক্লরিবা মীতৈ ইচিল ইনাওশিং তূম্বা মচেৎ, চাবা মচেৎ কৈদৌঙৈ কুকিশিংনা নোংমৈ-বোম, টোপ কাপশিল্লক্কনি ঙাইনা ঙাইনা চহী অনীদি লেনখ্রে। তংদু লৈতাবা ঙমদ্রি। করম্বা মখলগী লৈঙাক্লো, করম্বা মখলগী পোলিসিনো, করম্বা মখলগী কন্সপিরেসি থিওরিনো? অঙকপনি, মীতৈদগী থক্তোরকপা মশেক মঙালদা ইন্দিয়ান কন্সটিট্যুশনবু মথক-মখা ওলহনবা ঙম্বা মঙম (শক্তি) য়াওরমগনি খল্লিবা - ইন্দিয়াগী ইকায়খুম্নরবা পোলিসি মেক্করশিংগী আইদিয়া! মদুনবু মালেমগী মাঙজিল থাবা ওইথোক্কদ্রনে? নো, নেপোলিয়নগী কন্সেপ্টতা ওইথোক্তবা হায়বা ৱাহায় অপঙবগী দিক্সনারিদা য়াওই হায়রসু মীতৈগী ৱাহায়, ওইরোইদবদা মঙ মঙগনু হায়বসিগী নুংগী ৱাহন্থোক তরাইদে খঙনবা মথৌ তাবরা? নুঙ অমনা উচেক অনী হাৎপা পাক হেক ওইথোক্লোই। ইন্দিয়াগী লো মেক্করশিং এৱ্যের্নেস ৱাৎমল্লি, ইন্টিলিজেন্ট ওথোরিটিদা হাক্লা থাজমনবসু নাউ চাওখিনি খনবসু তমগদবনি। খুরক্কী ঈনা লাই শারকপা হায়বসি অঙম্বশিংগী অরোনবা, অশোয়বদা খুদোংচাবা লৌবনি। ওইদবদি ওইসনু।

হিন্দুশিংতগী ওইবা ইন্দিয়া অমগী মঙ মঙলি হিন্দুগী ‘গীতা’ গী ককপা ঙমদবা লাইগী মপাউশিং খঙগদবনি। য়েক্লবা ওইনা খন্দুনতা লৈরিবা শক্তি লৈরবা লৈবাক অমগী তৌবা ঙম্বদা নিংদোল পোমগুমসি। কনাসু লান পাম্নরম্লোই। লানগী মহুত্তা মরুপ-মপাং ওইনা নুংশি-চান্ননা, ইকায়খুম্ননা তিন্ননবা হোৎনবনা শরুক লিশীং-লিশীং হেন্না ফৈ। তৌবা ঙম্বা শক্তিনা মালেম জয় তৌবা ঙম্লোই। ন্যুক্লিয়র যুগনি, যুগসিদা লান ঙম্বা লৈরোই, পূন্না তুমখিনি হায়বসিদি শোয়দ্রবনি। লানগীদমক্তা খম থেংনা শেম-শারিবশিং কোক বেরা লৈরবনি। মরোল-মরাং তাকপদা নত্তনা শিফম-নাফম খঙদনা শিখ্রগদবা ঙাক্তনি হায়বসি পুৱারীনা শাখিনি।

হৌজিক মণিপুরগী ফিভম করি ওইরি। লান মনুংনি, কুকিশিংনা মঙক হাইগৎনা মায়কৈ খুদিং থত্তুনা মীতৈশিং খম থেংনা ৱানরি। কুকি কনানো খঙদবা লৈত্রে, শুপ্নগী ইন্দিয়াগী লো মেক্করশিং নত্তনা। মীতৈশিং বলিগী হামেং ওইনা হিংলি, চফু মনুংগী ঙা ওইরি। কনানা ওইহল্লি? ইন্দিয়াগী মিকিথী লো মেম্বরশিংনা। কুকিশিংবু হূইথৌ ওইহল্লগা ইন্দিয়াগী মপুনা য়ানবা চৎপা মিলিটরিশিংনা মীতৈগী শা ফাননবা শা তাল্লি। কান্নবা খরা ফংনবগীদমক কুকিশিংনা হায়রিমখৈ য়াগদবা মাল্লি। পেবেৎনা মচা চাউবা ঙাইরিবনি হায়বসি কুকিশিংনা খঙদ্রি। কলাদান প্রোজেক্ট লোইরবা মতুংদা কুকিশিং করি ওইরক্কনি- ফোঙদ্রিবা পাউখোঙনি। ইল্লিগেল্লি মাইগ্রেন কুকি জো নার্কোটিক মিলিটেন্টশিংগীদি নুমিৎ নকশিল্লকপগুম মথৌসু হন্থখ্রে, মরলসু তুমখ্রে, লৌসু শিরে, ষণসু তুমখ্রে।

অদুনা মীতৈশিং ঙল্লিমখৈ ৱাখল ফাথগদবনি, পুনশিন্নগদবনি প্রোক্সি ৱার মতমসিদদি। খ্বাইদগী ঙকপা অমদি কান্নদ্রে ওইদ্রে খঙলবা পি এমদা, হোম মিনিষ্টরদা, দম্মি গভর্ণরদা লান লেপহল্লু, তংদু লৈতাহল্লু হায়না হাতে-হাতে নোঞ্জরিবসিনি। থৌওইনা কুকিদা ইনশিল্লগা শেল তিংনা, মতম মাঙনা মীতৈদা লান তাহল্লিবা ইন্দিয়াদা লান লেপহন্নবা হায়জ-নোঞ্জরুবদি হেন্না হেন্না ময়াক লৈবা প্রোক্সি ৱার চথবা নত্তনা কন্সপিরেসি থিওরি কয়া এপ্লাইদ তৌরকপা মশানা তাবনি। করিগী মিলিটরি কেম্পতগী মীতৈ মীচম মফম খঙদনা মাঙখ্রিবা, করিগী কৌব্রু, থাংজিং, কোংবা মরূ লাইফম্লেনশিংদা কুকিশিংনা খাবৈ-খারা শারিবা, মীতৈনিবু হায়রদি মরোল থোক্ত্রিবা, খোল্লাং মনম কোক্ত্রিবা অঙাংশিং ফালবা খাক্তনা হাৎলিবা পূন্নমক কন্সপিরেসি থিওরিগী ইথিলনি। হেন্না নোক্লিংবা, ঙক্লিবদি চহী অনী হেন্না চথরক্লিবা ইন্দিয়া লৈঙাক্কী প্রোক্সি ৱারসি মীতৈশিং খঙদ্রি খল্লিবা ইন্দিয়াগী লো মেক্করশিংসিনি। ঙানপ্না ঈশিং মনুংদা কৈদা তৌশিনবা উবা ঙম্বা মীতৈনি হায়বসি মখোয়না খঙদবসিনা লানসি লোইশিন্দবা ওইগনি।

চৎখ্রবা সী এম দম্মিগী সী এম ওইবা ৱামল্লদুনা তূমখুন তানখ্রে। পি আর মনুংগী দম্মি গভর্ণর এন্দ কো নুমিৎ খুদিংগী কোক শারি। সেন্টরগী য়াথং য়াওদনা কনানসু করিমত্তা লন্নাই ৱারেপ লৌবা য়াদে হয়বা য়াম্না কনবা য়াথং অমা সেন্ত্রেল লৈঙাক্লা থারকপা গভর্ণর, সিক্যুরিটি এদভাইজর, আর্মি ওফিসরশিংদা পীরমগদবা মাল্লি। লোইনমক মীনি কৈনো, অচুম-চুমদা মশক খঙলিনি- হায়রিদনা ওর্দর ফংদে- পাম্বে লৈতে।

য়াম্না ফত্তনা মঙক কনমল্লি পি এম, য়াম্না মরৌ লৈমল্লি ঐচ এম, য়াম্না পঙনা মতুং ইনমল্লি সী এম, গভর্ণর। মীৎ তাংশিন্নবা হেনমল্লি, কুকিশিং ঙাক শেল্লিবা সেন্ত্রেল ফোর্সশিং, পঙনা ফৎমন্দে কুকি এম এল এশিং। লান-লান-লানগী অমাঙ অতোং থিদনা নরোল নরাল তাক্তুনা কংশি শিবদুরা পাল্লিবসে। অমা ফাওবা হা-কার লাওরবদা নোংমৈ, বোম, রোকেট, দ্রোনগী লানদা নত্তনা দ্রগকী ৱার, ইকোলোজিকেল ৱারফ্যের, নখোয় মঙাইরেহে- কুকি মীরৈহৎশা!

মীতৈনা মশা চেকশিন্না করম্না খুৎ হল্লক্কনি ঙাইয়ু, ঙাইবতা কল্লু। ●

# ‘দি বেট্টল ওফ হোং কোং’ দা হিংহৌবা মীওইশিংনা তম্বা লানফম অসিগী মীৎনা উবা পাউদম - ৩

## - খুরাইজম তোমথিনঙানবা মীতৈ -

অদুগুম্বা লান্দা অদুগী মথংগী নুমিৎ খরনিদা অনৌবা জাপানিজ লাম্মী ১৩,০০০ অসি অহানবগী ৭,৫০০ অদুগী মথক্তা য়াওশিল্লক্তুনা রাজপুট রেজিমেন্টতা মীশি-মীনা য়াম্না চাউনা থোকখি। লান্দারক্লিবশিং অসিনা হোং কোং ঈথৎ অসিদা হেক খোঙদাবদা বৃটিশনা সরেন্দর তৌরক্কনি হায়না জাপানিজশিংনা থাজবা পোকখি। লান অসি হৌরকপা নুমিৎ ১০নিগী মনুংদা নম্ফুন্দা সরেন্দর তৌহনগদবনি হায়না শকাইগী মথক থোংবশিংনা মহাক্কী মফমদা য়াথং তাওথখি; মখোয়না হোং কোং ঈথৎতা খোঙদাবা হৌখিবা অদু ১১নি শুবা নুমিৎনি।

সরেন্দর তৌবগী ৱাফম য়াওদবগা লোয়ননা জাপানিজশিংনা য়াম্না থাজদবা মতৌদা অথিংবা কয়ামরুম মায়োক্লখি, মরু ওইনা নোর্থ পোইন্ট পৱার ষ্টেশনদা পনঙাক্তুনা সিটি য়ৌবা লম্বেল থিংবা, পূন্নমক মশাগী চহী ৫৫ হেল্লবা গ্রেট ৱারগী ভেটেরেনশিংনা শেম্বা ভোলন্টিয়র কাঙবু অমনা ফৈগাক ফৈনা থৎতুনা থমখি। মদুদগী মরু ওইবা শক্লোন লৌরিবা জাপানিজ লাম্মীশিং অদুনা থৈদোক্লগা অৱাংবা চীংথক্তগী ঈথৎ অদুগী ময়ায় চবুকলোমদা চঙশিল্লকখি।

দিসেম্বর ১৯দা ৱোং নাই চুং গেপ হায়বা মফম অসিদা শোক্লখিবা খ্বাইদগী হেন্না কনবা অমসুং খ্বাইদগী হেন্না মীশি-মীনা থোকখিবা (বৃটিশকী মায়কৈদা ৪৫১) লানফম অসিদা জাপানিজশিংগী লাম্মী ৮০০ শিখি হায়না মখোয়না তুংদা ফোঙদোক্লকখি।

*ডনবর্ন প্রেশনা ফোঙবা, ব্রেরেটোন গ্রীন হাউসকী* ‘সি’ ফোর্স টু হোং কোং : এ কনাদিয়ন কেটাস্ট্রোফি (১৯৯৭) *হায়বা লাইরিক অসিদা য়াওবা ক্যাপ্টেন হোৱার্দ বুশ, ৱিন্নিপেগ গ্রেনেদিয়র্সকী ৱারোল* - “ঐখোয়না লৈরিবা মফম অদুদা মায়কৈ পূন্নমক্তগী কাপশিল্লকখি। মদু য়েক্লবনা মথক্তগী য়েংথরকপা অমসুং অকোয়বা মপান অদুদা খুদুম চন্দুনা লৈবা তেংকোৎ অমগী মখা থংবা শরুক অদুগা চাংদম্নবা য়াই। মফম অদু ফাওদুনা চৎলিবা মেইন রোদ অদুদা শীজিন্নদ্রবা ত্রক অমসুং কারশিংনা ফিট চা কয়ামরুম শাংনা ইচাই চাইনা তাদুনা লৈখি। জপানিজশিংনা মোর্টার অমসুং হেন্দ গ্রেনেদশিং অসি নোং চুবগী মতৌগুম্না কাপথরকখি।”

লাঙ্গৈই চনশিন্দুনা থমখ্রবা ৱোং নাই চুং গেপ হায়রিবা মফম অসি খৃষ্টমাস নুমিৎ ফাওবা ৱিন্নিপেগ গ্রেনেদিয়র্সকী দি কম্পনিদগী লাকপা মীওই ৪৫ খক্তংনা ঙাক শেন্দুনা থমখি। জাপানিজ শিংগী লাল্লোংদি য়েক্লববু মখোয় মশেল তোঙান্না তাহন্নবা হোৎনবা অসিনি অমসুং বৃটিশনা মখোয়গী ফোর্সশিং অদুবু ইষ্ট বৃগেদ হায়বা অমগা, ৱেষ্ট বৃগেদ হায়বা অমগা অনী থোক্লা খায়দোক্তুনা মদুমক তৌখি। বৃগেদিয়র সেদ্রিক ৱাল্লিসনা ঈথৎ অসিগী ষ্টেনলি পেনিন্সুলাগী অকোয়বদা লৈরিবা ইষ্ট বৃগেদ অসিবু অমুক হন্না পুনশিনহন্নবা অয়াবা অমা মাল্টবাইদগী ফংবা ঙমখি অমসুং দিসেম্বর ২১দদি লন্দারকপদগী ঙাকথোক্লিবা ফোর্স অনীগী মরক্তা অমুক হন্না তাইশিন্নবা য়াররোইদৌবা ফীভম অমা লাকখি।

নুমিৎ অদুদা য়ংনা চর্চিলগী মফমদা হোং কোং অসি পূমচাই চাইদ্রিঙৈদা ৱারী শানদুনা সরেন্দর তৌবগী অয়াবা অদু পীবিয়ু হায়না টেলিগ্রাম থাখি। অদুবু চর্চিলনা “সরেন্দর তৌবগী ৱাখল শুকখন খনবা য়ারোই” হায়না পাউখুম পীরকখি। ঈথৎ অসি য়েক্লবনা খুদুম চনশিল্লকপগা লোয়ননা ৱাল্লিশনা ষ্টেনলি পেনিন্সুলাদা অরোইবা মতম ঙাইদুনা লৈবা তাখি।

*শুইগী নীংশিং ৱারীদগী। লান অদু হেক লোইবগা শুই অসি, ওক্যুপাইদ হোং কোং অমসুং ফ্রি চাইনা অনী অসিগী মরক্তা সপ্লাইশিং, ইনফোর্মেশন অমসুং পর্সনেল হায়রিবশিং অসি নারোন্দা পুথোক-পুশিন তৌবা বৃটিশ আর্মি এইদ গ্রুপ্তা য়াওগদবনি* - “খৃষ্টমাস ইভতা ঐহাক্লা অহিং নোংয়াইগী মাশতা শরুক য়ারুনবগীদমক্তা কেথদ্রেলদা চৎখি। মদু মী য়াম্না তিল্লম্মী। মাশ অদু লোইরবা মতুংদা ঐহাক মোস্ক ষ্ট্রিটতা লৈবা ঐগী ইচেগী য়ূমদা হল্লকখি। মদুদগী খঙহৌদনা মতম অদুগী গভর্ণর, সার মার্ক য়ংনা সরেন্দর তৌবগী ৱাফম অমা লাউথোক্কদৌরি হায়বা তোকঙা অমখক বেম্বু ৱায়রলেসকী খূথাংদা শন্দোক্লকখি। মদু ঐহাক্লা থাজখিদে, মরমদি মদুগী অচুম-অরান অদু ইশানা খঙদে। আর্টিল্লরি কাপশিল্লকপা অদু পুমলেপ লেপখিবমক নৎত্রবসু খরদি হন্থরক্লে হায়বসি ঐখোয়না উখি। অহিং অদু ঐখোয় পূক্লিং অসি য়াম্না ঈংনা ফমুংদা তূম্বা চঙনখি। মথংগী অয়ূক অঙনবদা ঐখোয়না মীৎকপ থোক্লকপা মতমদা নীল-খোংবগী মখোল কয়ামরুম তাবা ফংখি। মদু মীয়ামগী মখোলনি। মান্নি, মীওই চা কয়ানা পিক এরিয়া নৎত্রগা মে রোদকী অপ্পর লেভেল কোন্দুইট রোদ অমসুং আ মথক্লোমদা লৈরিবা ইনাক খুনবশিংগী য়ুম য়ূমদা চঙদুনা লুট তৌখি।”

মতুংদা ওফিসরশিংনা ষ্টেনলিদা লৈরিবা ৱাল্লিসকী মফমদা গভর্ণরনা পীরকপা সরেন্দর তৌবগী ওর্দর অদু খৃষ্টমাস নুমিৎতা খূৎশিন্নখি। বৃগেদিয়র অদুনা হায়রিবা ওর্দরশিং অদুবু ইকায়খুম্নখিদে। মমাঙগী নুমিৎকী নুংথিল পুং ৩.২৫ তাবা মতমদা ওফিশল ওইনা সরেন্দর তৌখিবা তারবসু (ব্লেক খৃষ্টমাস) পেনিন্সুলা অসিদা দিসেম্বর ২৬ ফাওবা মখা তানা লান শোক্লখি। পূন্নমক অসিগীসু মথক্তা কনাগুম্বা চাইনিজ এদমিরল অমনা মশাবু হিংনা ফাহনবা পামখিদে।

**স্কেপ ফ্রোম হোং কোং :** এদমিরল চান চাক’স খৃষ্টমাস দে দাশ, ১৯৪১ (২০১২) *হায়রিবা লাইরিক অসিগী অইবা, টিম লুৱার্দকী ৱারোল*- “কোলোনি অসিদা লৈরিবা রিপব্লিক ওফ চাইনাগী মকোক থোংবা মীহুৎ- চাইনিজ অমনা লুচিংদুনা মহৌশা অমুক্তসু থোকখিদ্রিবা থৌওং অমদা বৃটিশ ওফিসরশিং অমসুং মশীং য়াল্লবা মীওই কাঙবু অমবু (কোক্স-ৱা’কর য়াওনা), সরেন্দর অদু তৌরবা মতুং পুং অমগী মনুংদা মায় পাক্লা নাম্থোক্লগা চেনখিবা ঙম্বা হায়বসি হোং কোংবু থৌনা ফনা ঙাক্লবসু মায়থীবা নংখ্রবা লান অদুগী অমত্তা ঙাইরবা পূক্লিং চিংশিন্নীংঙাই ওইবা তাঙ্কক অমনি হায়না লৌবা য়াবতা নত্তনা, মসি খ্বাইদগী হেন্না মরু ওইবা অমসুং পূক্লিং থৌগৎনীংঙাই ওইবা থৌওং অমনি।”

চান চকনা নাম্থোক্তুনা চেনখিবা অদুদা মেকইৱান য়াওনা জেদ ফোর্সকী মীওই অহুম্না মতেং পাংখি। এদমিরল অসি ঈশিং য়ুরবা হি অমদা তোংদুনা অবরদিন-এপ লৈ চাউ হায়রিবা চেন্নেল অসিদা চৎপদা মশীং থিঙমদ্রবা নোংমৈ মরূ কয়ামরুম কাপশিল্লকখি। মখোঙ নাম্মসু য়াওদ্রবা অমসুং মখূৎকী খুজেংদসু নোংমৈনা পাল্লবা মহাক্লা ঈশিং মথক অদুদা কনাগীসু মতেং লৌ হায়বা য়াদনা চৎখি।

লাইবক ফবনা, মহাক এপ লৈ চাউদগী য়াম্না লাপ্না লৈবা রোয়েল নেভি টোর্পেদো বোট মঙাগী মথক্তা মিলিটরিগী মীওই ৭০গা থেংনখি। মখোয়না ষ্টেনলি আইলেন্দ অকোয়বদা য়ৌরক্তুনা অৱাংলোমদা সাই কুং লান্দুনা চৎখি। অদুগুম্বা খোঙচৎ অদুবু লুৱার্দনা “এঙলো-চাইনিজ ফ্রেন্দশিপ অমসুং কোওপরেশনগী পুৱারী ওইরবা খুদম অমনি” হায়না শীংথারি।

নুমিৎ কয়ানিগী মতুংদা বৃটিশকী সৈইলরশিংনা মশা শোক্লবা এদমিরল অসিবু ৱানা শাবা চৌক্রি অমদা হাপ্তুনা, ফ্রি চাইনাগী হুইজৌগী সিটি গেটশিং অদু ফাওদুনা চাউথোক্লা পুরগা চৎখি। হোং কোংগী গেরিজনদা রেগুলর লূপশিং ওইবা চাইনিজ ১,১০০গী মনুংদগী মীওই চা খরদি ফ্রি চিনাদা নাম্থোক্তুনা চেল্লগা বৃটিশ ফোর্সশিংদা অমুক হন্না জোইন তৌখি। মীওই কয়া অমনা অরোনবা বৃটিশ আর্মি এইদ গ্রুপতা থবক চঙখি অমসুং মীওই ১২০ অমনা হোং কোং ভোলন্টিয়র কম্পনি হায়বসি শেমদুনা বর্মাদা ওপরেট তৌবা স্পেশল ফোর্সশিংগী দি চিন্দিটস হায়বসিদা তিনখি।

নর্সশিংবু রেপ তৌখিবা অমসুং হাৎখিবা অমদি হোস্পিটালগী ফমুংদা হিপ্তুনা লৈবা অশোকপা লাম্মীশিং বেনেটনা থিনখিবা, ষ্টেনলোগী সেন্ট ষ্টেফেন’স কোলেজদা থোকখিবা খৃষ্টমাস দেগী মীহাৎ-মীপূনগী থৌদোক অসিনা বেট্টল ওফ হোং কোংগী খ্বাইদগী হেন্না তমথীবা মতাংনি। ব্লু পুল রোদতা, হেপি ভেল্লেদগী ৱোং নাই চুং গেপ তম্না লাঞ্জেল্লকপা চাইনিজ মীচম ৩০ দিসেম্বর ২৩দা মশাগী লৈফম মনাক্তা বেনেটনা থিন্দুনা হাৎখি। হিষ্টোরিয়ন টোনি বনহমনা “মীচমশিংনা থেংনখিবা খুদোংথীবশিং অদু কয়া কূপ্না থিজিনবা তৌদে। লান অদু লোইশিল্লকপা মতমদা চাউরাক্লা মীওই ২৫০,০০০ হেন্না শিরম্বা য়াই অদুবু মসিদি চাওরাকপা হীসাবনি” হায়রি।

লান মনুং অদুমক্তদা নুপী ১০,০০০ রেপ তৌখি অমসুং সিভিলিয়ন ৪,০০০ হাৎখি হায়নৈ, অদুবু ঐখোয়না চপ চাবা মশীং অদুদি কৈদৌনুংদসু খঙবা ঙম্লরোই। মিলিটরিগী মায়কৈদা হোং কোং ঙাকপা মীওই ১,১৫০ রোম হাৎখি, মসিগা চপ মান্ননা জপানীজশিংসু শিখি (অশেংবা খঙদবা)।

বেট্টল ওফ হোং কোং অসি থোক্কদবা থা খরগী মমাঙদা চার্চিলনা মরন্নাই ওইনা করিগুম্বা এটেক চথরকপা তারবদি “হোংকোং অসি কনবা ঙম্বগী ফীভম শুপলৈ লৈতে” হায়না ইখি। মহাক্কী ৱাফম অসি অচুম্বমক ওইনসু থোকখি। ●

### হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্বীজ -১১৫গী ৱাহং

১) “ঐহাক কালেন ছুটি লোইবা ফাওবা য়ূমদা লৈগে খনবনি অদুবু মশক উদবা থম্মোয়দতা ফাওবা ৱাখল অমনা চিংদুনা পুবদগী...।”
ৱাহৈ পরেং অসি নোভেল অমগী অহৌবদা অইবনা ফোঙদোকপা ৱাহৈনি। য়াওরিবা লাইরিক্কী মমিং করি কৌবগে? অইবা অসি কনানো?

২) “চৈনা য়াওদবা চৈফু” হায়বা ৱারীমচা অসি য়াওরিবা ৱারীমচাগী লাইরিক অদুগী মমিং হায়য়ু অদুগা অইবনা কনানো ইয়ু।

৩) “কম লেট অজ সোল্ভ দি রিদলস ওফ লাইফ” হায়বা মণিপুরীদগী ইংগ্রাজিদা হন্দোকপা লাইরিক অসিগী ওরিজিনেল মণিপুরীদু করি কৌবগে? ত্রান্সলেটর অসি কনানো?

৪) “নশুংলাংগী” হায়না মিংথোনবা লাইরিক অসি কনানা ইবগে?

৫) “লৈকংলাগী নোঙ্গৌবী” হায়বা লাইরিক অসি অইবা কনাগী লাইরিক্লো?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম জুন ১৫, নোংমাইজিং নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল **hueiyenliteraryquiz@gmail.com** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।